ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯏꯔꯥꯏ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, দিসেম্বর ১১, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ২৫৪শুবা মশীং

# এম য়ুগী ভি সী হাপ্তবা

## ঈরাং থোক্লক্লবা মতমদতা মীৎয়েং চঙবগী হৈনবী থাদোক্লসি

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরম্বা জর্নেল সিংহনা হৌখিবা নবেম্বর ৩০দা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা মতুং ভাইস চান্সেল্লর (ভি সী)গী ফম হাঙদুনা লৈরকপা নুমীৎ ১০নি হেনখ্রে। কুমজা ১৯৮০দা লিংখৎখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি কুমজা ২০০৫গী ওক্টোবর ১৩দগী সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওনখিবনি। ষ্টেট লৈঙাক্কী মখাদা য়ুনিভর্সিটি অসি লৈরিঙৈদা ওজাশিংগী তোলোপ চাং নাইদবা অমদি অৱাৎ-অপা কয়া লৈরম্বা অদু সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওনবদগীদি য়ুনিভর্সিটি অসিদা অহোংবা কয়া পুরক্লগনি অমদি লমদমসিদগী অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোকপদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়না মীয়াম্না থাজনখিবনি। সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইরিবা এম য়ুদা ঙাইহাক লৈতনা ঈরাং থোকপা অসিনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ইনভাইরনমেন্টতা অকায়বা পীবদা নত্তনা খুন্নাই অসিদসু শাফু অমা পীরিবনি। এম য়ুদা থোক্লিবা ঈরাং অয়াম্বা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা পেন্দবদগীনি। কুমজা ২০১৮দা প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দেবু ভি সী ওইবদগী লৌথোক্কদবনি হায়না য়ুনিভর্সিটি অসিগী কম্ম্যুনিটি অহুম হায়বদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা), মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফস এসোসিএসন (মুসা) অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুংদা মণিপুর হায় কোর্টনা চহী অদুমক্কী ওক্টোবর ১১দা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা জর্নেল সিংহবু য়ুনিভর্সিটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা এপোইন্ট তৌখিবনি। জর্নেল সিংহবু এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা হাপ্তুনা ভি সী ওফিসকী থবক থৌরমশিং পায়বা হৌখিবদগী ঈরাং অদু নেমথখিদুনা এম য়ুদা মহৌশাগী ফীভম তপ্না তপ্না হঞ্জিল্লকখিবনি। এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা ভি সী ওফিসকী থবক থৌরমশিং চহী ২ হেন্না পায়রম্লবা মতুং মহাক হৌখিবা নবেম্বর ৩০দা থবক্তগী পোত্থাজরগে হায়রকপদা মণিপুর হায় কোর্টনা অয়াবা পীখিবনি। মহাক্না থবক্তগী পোত্থাখ্রবা মতুংদগীদি হৌজিক ফাওবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী থবক থৌরমশিং ভি সী য়াওদনা পাঙথোক্তনা লাক্লি। রেগ্যুলর ভি সী হাপত্রবসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট, ২০০৫গী মতুংইন্না সিনিয়রমোষ্ট প্রোফেসর অমবু ভি সী ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুহনবসু লৈত্রি।

নুমীৎ ১০ নি হেন্না ভি সী য়াওদনা এম য়ুগী থবক থৌরমশিং চলাইরকপনা একাদেমীক অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ ফঙ্কসন খুদিংমক পেরালাইজ ওইরক্লগদ্রা হায়বগী মীপায়বা অদু য়ুনিভর্সিটি অসিগী কম্ম্যুনিটিশিং, মহৈরোয় লূপশিং অমদি মীয়াম্না পোক্লরে। ভি সী হাপ্তুনা থম্বা অসিনা মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিল্লক্লবা ইনভাইট তৌবগা চপ মান্নরে। হাঙদুনা লৈরিবা ভি সীগী ফম অসি মেনশিন্ননবা লাক্লিবা দিসেম্বর ১৪ ফাওবগী মনুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনগী মায়কৈদগী চপ চাবা ৱাফম অমা খঙহল্লক্ত্রবদি য়ুনিভর্সিটি অসি সটদাউন তৌবা য়াওনা খোঙজং কয়া চঙশিন্ননবা শেম-শারে হায়দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না ফোঙদোকখ্রে। ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ), দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম), কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ), ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) অমসুং অপূনবা ইরৈবাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস)নসু য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পসতা ৱাকৎ মীফম ফম্বদা নত্তনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভি সী হাপ্পনবা দিমান্দ তৌখ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন্দা মরিরক হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়জরবসু ঙসি ফাওবা ভি সী ইন-চার্জ অমা হাপ্পীরক্তবা হায়বসি মণিপুর মীয়াম্বু উশিৎতবনি হায়না মহৈরোয় লূপশিং অসিনসু ফোঙদোকখ্রে। য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেক্টরসু ওইরিবা গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা হীরমসিদা মীৎয়েং চঙবীনবসু পূক্নিং চিংশিনখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা ভি সীদি হাপ্তুনা লৈরিবা অসিনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা অমুক হন্না ঈরাং থোকহল্লকপা য়ানা লৈরে। ঈরাং থোক্লক্লবা মতমদতা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবগী মমাঙদা লৈরম্বা হৈনবী অদু থাদোক্লসি। ঈরাং থোক্লক্ত্রিঙৈদা মতিক চাবা থবক লৌখৎননবা লৈঙাক্নসু, মরী লৈনবশিংনসু মীৎয়েং চঙহন্নিংই।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### টৌতিগী ঈশিং ফংহনবিয়ু

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

চহী কয়াগী মমাংদগী ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই এ সীগী মনুংচন্না লৈবা তেল্লৌ, চানা অমদি চিংনুংকোকতা ঙসিসু থক্লনবা অফবা টৌতিগী ঈশিং ফংদনা লৈরি। হৌখিবা চহী ২০মুক্কী মমাংদা হায়রিবা খুনশিং অসিদা টৌতি ঈশিং ফংলম্মী। অদুবু শাংলবা চহী অসিদা লৈঙাক্না অমদি লোকল এম এল এনসু হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি ফাওবা মীৎয়েং চঙবিবা হায়বদু ওইদ্রি। চহী ২০মুক্কী মমাংদা থারকপা ৱাটর সপ্লাই অদু মথৌ তৌখিদবদগী খুনশিং অসিদা টৌতি ঈশিং ফংখিদবনি। অদুবু হায়রিবা ৱাটর সপ্লাই তৌরম্বা মফম অদুসু ঙসি ফাওবা শেমজিন্দনা লৈরি। মতাং অসিদা হায়জনিংবা ৱাফমদি হায়রিবা খুনশিং অসিদা শাংলবা চহী অসি খুঞ্জাশিংনা পুখ্রিগী ঈশিং শীজিন্নদুনা লাক্লি। হৌজিক্লা হৌখিবা চহী খরদগী লম্নাই ওইনা ঈশিং য়োল্লিবা মীওইশিংদগী ঈশিং লৈদুনা থক্লরি। মসিনা মরম ওইদুনা লৌ উদুনা হিংবগী লম্বী ওইজরিবা শেম্বোক লম্বী লৈতবনা ৱানা হিংলিবা খুঞ্জাশিংনা থক্লনবা ঈশিং লৈনবা হোৎনবদা অচৌবা অৱাবা হায়বদু হৌখিবা চহী কয়াদগী মায়োক্লদুনা লাক্লি। মরম অদুনা হৌজিক-হৌজিক ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা জল জিৱন মিসনগী মখাদা থক্লনবা টৌতি ঈশিং ফংহন্নবা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিগী মনুংচন্না লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা খুঞ্জাশিংনা হৌজিক-হৌজিক ঈশিংগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসি য়েংশিনবিরদুনা থক্লনবা অফবা টৌতি ঈশিং ফংহন্নবা শিনবিয়ু।

শাংলবা চহী অসিদা মায়কৈ অসোমগী খুঞ্জাশিংনা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা হায়জদুনা লাকখ্রবনি। অদুবু চহী ২০ হেল্লবা ফাওবদা হায়রিবা খুনশিং অসিদা ঙসিসু অদুমক থক্লনবা অফবা টৌতিগী ঈশিং ফংদনা লৈরি। মরম অদুনা অথুবদা মরী লৈনবশিংনা টৌতি ঈশিং ফংনবা হোৎনবিয়ু।

*অদোমগী - তোম্বা, তেল্লৌ মমাং লৈকায়*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭

১) কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী লোলবু মেট্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক অহানবা শকখঙবা মতমদুদা কনানা ইবা করি লাইরিকপু তম্ন-লাইরিক ওইখিবগে?

২) জোনষ্টোন স্কুলনা হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?

৩) "ইনুংশোয়গী ঙাচিং" হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা করি লোলদা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) "অরায়বা ৱারেং লাইরিক" হায়বসি কনানা করম্বা মীওই কাঙলূপকী করিগীদমক ইবনো?

৫) চহী ৫৩গী মমাঙদা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা উপন্যাসকী মমিংনি "লৈপুন", অইবাঅসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# চেঙনা মীরমগী চারগা নুপী লালগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপসিবু...

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

নুপী লালগী ঈহৌ হেক হৌখিবা মতমদুদগীনা ঙসি ফাওবা চেঙগী ফীভম করি ওইরি? ৱাহং অসিনা হংলিবদি লমদমসিদা চেঙ হোঙলবরা, মরাং কায়না ফংলবরা, মপান্দগী চেঙ পুশিল্লক্তুনা মরাং কায়রিবরা, মণিপুরদগী চেঙ মপান্দা থাদোকপা লেপখ্রবরা অসিনচিংবনি। ৱাফমশিং অসিগা নুপী লালগা করি মরী লৈনরিবা? মীওই খরনা নুপী লাল থোকখিবদুদি থায়নগী মতমদনি অদুনা হৌজিক্কা করিসু মরী লৈনদে হায়রমগনি।

তশেংনা হায়রবদি নুপী লালগী ঈহৌ অদু চেঙগী হায়বদি চিঙ্গাক্কী অৱাৎপা লৈবদগীনি। অৱাৎপা অদু লৈতনবা হৌখিবা ঈহৌনি। মতম অদুদনা লমদমসিদা লৌ উদুনা চেঙগী পোত্থোক পুথোকপনি। পোৎথোক অদুবু মীরমদা থাদোকখিবদগী চাক তাঙবা থোকপনি। ঙসিদি চাক তাঙবা নৎত্রগা চেঙ তাঙবা হায়বদুমক্তি থোকখিদ্রে। চেঙ কেজিদা লুপা ৩ পীবা ফাওবা গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা ফংহল্লে। তমথীরবা কোরোনাগী লাইচৎ মনুং অসিদদি লেম্না চেঙ য়েল্লে। অমরোমদা ফৌ তক্লগা চেঙ তায়বদা লৈবীনবা লৈত্রে, শিৎত্রে। কোয়হা হারগা চেঙ তায়বগা মান্নরে। করিগুম্বা চেঙ লৌবীনবা মী লৈরবসু মমলদি য়াম্না তানা তায়রে। ইশম-শম্না হায়রবদা মীরমদগী পুশিল্লকপা চেঙনা ঈচাউ থোক্লে। চেঙ তাঙবা হায়বদু ওইদ্রে। অদুনা চেঙ তাঙবগী অনৌবা নুপী লাল অমমুক তৌরুবগী মথৌ তাদ্রে। অমরোমদা চেঙ কেজিদা লুপা ৩দা ফংলগবু করম্না নুপী লালগী ঈহৌ অমুক হৌরুগনি। অহোঙবা মমল অসি নত্তবা মমল খরা ৱাংখৎপা মীরমদগী পুশিল্লকপা চেঙসু মরাং কায়না ফংলে। মণিপুরগী মীওই অয়াম্বা মীরমগী চেঙ লৈদুনা চারে। মীতৈ চেঙ চাগনি হায়বা কাউবু কাউনরে হায়বদু য়ৌরে। নহানৱাই মীতৈ চেঙ চারম্মী হায়বদু নীংনরক্তবগী ফীভমদা লৈরে। মীরমগী চেঙ মহাও লৈতে, ফ্রা-ফ্রা লাউই, নূংজ্রেং য়াওই, মনম নমথী হায়দুনা চানরমদে হায়বদু কাউখ্রে। মতম অদুদা হিংলম্বা মীওইশিং অদুসু ঙসিদি লৈত্রে। য়ু শুংবদা মীতৈ চেঙনা শুংলম্বদুসু ঙসিদি মীরমগী চেঙ অসিনা ওইনা শুংলে। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী লৌবুক কয়া য়োম্থোক্লরকপগী মচাক অমা ওইরকই। পাঙ্গল ৱানা, শেল চঙনা, শেন্দোং ফংদনা, লৈখোম-লৈনাং মরক্তা লৌ উদ্রবসু য়ারে, মীরমদগী চেঙ পুশিল্লক্লগা চাগদবা লৈরবসিবু হায়বা মওং অদুদা লৈরে।

থায়না নুপী লাল হৌখিবদুদি মীরমদগী চেঙ পুশিল্লক্লগা ঐখোয় হিংগে হায়বা মান্দে। ইশাগী পেত্থোক্লা ইরমদম অসিদা হিংজগে হায়বা মাল্লি। ইশাগী পোত্থোকপু নুংশিজবা, মীপান তাংনীংদবগী ৱাখল্লোন অদু চেনবরা লাইওইখ্রবা ইমা-ইবেলশিং অদুগী মশাদা? হৌজিক্কী মীরোলগা মতমদুগী মীরোলগা অনীসিগী মরক্তা খেন্নবা মওং পুন্সি মহিংসু লৈবা তাবনি। অদুন্নমক ওইরবসু মীপান তাংদবা, ইশানা ইরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা পুন্সি মহিং, খুন্নাই অমা, লমদম অমা হায়বদুদি মীরোল খুদিংমক্তা অদুমক লেংদনা লৈগনি। মসিদি মীওইবগী পুন্সিরোলদা হোংবা য়াদবা অমনি। পুন্সি মহিংদা লাকপা অহোংবা কয়া অদুনা নুপী লালগী ঈহৌ অদু ঙসিদি নীংশিংবগী থৌরমখক্তমক পাঙথোকপনি হায়বা য়াই। মতমদুগী হৌখিবা ঈহৌ অদুদা শরুক য়াখিবা লাইওইখ্রবা ইমা ইবেলশিং অদুনা খুন্নাই অসিগীদমক লৌখিবা থৌদাং, মখোয়গী অঙকপা মথৌনা অদুবু শৈথাবখক্তা ঙায়রে, নীংশিংবখক্তা ঙায়রে। তোয়না হায়নরিবা হায়বদি ৱা ঙাঙবদা য়াওরিবা থৌনা ফবী ইমা-ইবেলশিং অদুনা পামজরম্বা ৱাখল্লোন, মখোয়গী খুদুং ইন্দুনা ঙসিগী মীরোল অসিনা চৎলবদি চাওখৎপা ঙমগনি লমদম অসি। অদুবু মখোয়গী খুদুংদি ইনবা ঙমদ্রে হায়বা য়াই। নীংশিং থৌরমগী ৱা ঙাঙবদা হায়বা ৱাফম ওইনা তৌরে। মতমদুগী নুপী লালগী ঈহৌ অদুদা নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক কয়া লৈরি। মদুগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক অদুদি নুপী লালগী নীংশিং থৌরম কুম খুদিংগী পাঙথোকপদু নত্তে। ঙসিগী চহী য়াল্লবী নুপীশিংনা ঈংলবা অয়ূক্তা লম্বীদা থোক্তুনা লমজেল চেনবনা নুপী লাল নীংশিংবগী অশেংবা মশক অদুদি নত্তে হায়নীংই। মসিসু অদুমক তৌগদবনি অদুগা চিঙ্গাক্তা মীপান তাংদনবা, ইশানা ইরোমদোম লেপচবা ঙম্বা পুন্সি মহিং অদু ওইবা ঙম্নবা লৈঙাক্তা তকশিনবসু য়াই।

মণিপুরদা তিলহৌ, আলু, কোবি, মোরোক, চনম, অচাথাউ, হৱাই, বেশোন, খামেনগী মমল য়াম্না তাঙনা লৈদুনা মীয়াম্না চারিবসিগী মতাংদা নুপী লালগী নীংশিং থৌরমগী ৱা ঙাঙবদা পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনবা য়াই। লাইওইখ্রবা ইমা-ইবেলশিং অদুগী মথৌনা অমদি মীৎয়েং শানবা অদুবু নীংশিং-নীংশিংনা ঙসিগী মীয়াম্না মমল তাঙনা মীরমদগী পুশিল্লকপা পোৎ চৈ কয়া লৈদুনা চারিবসি তোক্লবা গভর্ণমেন্টনা করি থৌশিল থৌরাং লৌখৎলবগে হায়বদু কনানসু ৱা ঙাঙবদা হায়বা থেংনদে। তশেংনমক হায়বা তারবদি নুপী লালগী নীংশিং থৌরম তৌগে হায়রবদি চানবা পোৎ চৈ লমদমসিদা পুথোকপা, মমল হোঙহনবা মতৌ করম্না ঙমগদগে, করি অশোয়বা লৈবদগী মণিপুরদা চিঙ্গাক্কী পোত্থোক চাবা কোন্ননবা পুথোকপা ঙমদ্রিবনো হায়বসি পুথোক্তুনা নুপীশিংনা নৈনফম থোক্লে। মণিপুরদা ঈশিং মরাং কায়না ফংই, লৈহাও লৈবা লৌবুক মরাং কায়না লৈরি, হৈশিংলবা লৌমী কয়া লৈনা-লৈনা করিগী মণিপুরদা চানবা পোৎ চৈগী মমল য়াম্না তাঙলিবনো অমদি পোত্থোক লৈতবদগী মীরমদগী পুশিল্লক্লি, করি অশোয়বা লৈবদগী তৌরিবনো হায়বা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা খন্নরগা গভর্ণমেন্টতা ৱাহং কয়া নুপী লূপশিং অমদি হৈশিংলবা নুপা ৱাঙাঙলোয়েশিংনা হংফম থোকই। পোৎ চৈগী মমল হোঙনা ফংনবা দিমান্দ কয়া তৌবনা নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকপগী অমত্তা ঙায়রবা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি খল্লি। চেঙনা মীরমগী চাবা, এঞ্জাংসু মীরমদগী পুশিল্লকপদু লৈদুনা চারগা লাইওইখ্রবা থৌনা ফবি ইমা-ইবেলশিং অদুদা লৈ কৎতুনা খুরুম্লগা থাগৎ ৱাহৈ ঙাক্তা শৈথাদুনা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা ঙাঙবসি কয়া চানদে। লাইওইখ্রবা ইমা ইবেলশিং অদুগী থৱায়-মীরেলনসু পেনবীরমগনি হায়বা থাজদে। মীয়াম মতম মাঙহনবগী মহুত্তা মীয়ামদা, খুন্নাইদা কান্নগদবা থৌশিল থৌরাং কয়া পুথোকপা চুম্মী হায়না খন্থরবদি পূন্নমক চাওখৎপা, মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমগনি। ●

# কাঙলোন চুম্না মাস্ক উপহন্নীংই

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

কোভিদ-১৯ লায়না ঙাকথোক্লবগীদমক মীয়াম্না উপ্পরিবা মাস্ক খূৎউপসি কাঙলোন চুম্না উপ্পা হায়বা অমা অমসুং কাঙলোন চুমদনা উপ্পা হায়বা অমা, অনী থোক্লা উপ্পরি। অকোনবগী কাঙলোন চুমদনা উপ্পগী থৌদৌসিনি হৌজিক্কী মতমদা মণিপুরগী মীয়াম অয়াম্বনা উপ্পরিবসি। তৌবদি, ঙসি ফাওবগী মনুংদা টি ভিদা নৎত্রগা রেদিও অমদি অতৈ সোসল মীদিয়াশিংদা, মীয়াম্না কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ ঙাকথোক্লবগীদমক মতৌ করম্না কাঙলোন চুম্না মাস্ক উপকদগে হায়বসি মরী লৈনবা কাঙবুশিংনা অমুক্তা ফাওবা মমুৎ তানা, শুগায়না তাকপীবা থেংনদে। চুম্না, মীয়ামদা মাস্ক উপ্পু নৎত্রগা মাস্ক শীজিন্নবীয়ু হায়বা ৱাহৈশিংসিদি মীদিয়া অয়াম্বদা অদুম্মক হঞ্জিন-হঞ্জিন লাউনবা থেংনরি। তশেংনা মতৌ করম্না কাঙলোন চুম্না মাস্ক উপকদগে হায়বসিগী মতাংদদি মথক্তসু পঞ্জাখ্রিবদুনি, ময়েক শেংনা খঙনবা তাকপীবা নৎত্রগা হায়বীবগী ৱাফম অমত্তা লৈরকত্রি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনসু কোভিদ-১৯গী মহীক ঙাকথোক্লবগীদমক তঙাইফদনা মাস্ক শীজিন্নবা কাউবীগনু, মীপূম খুদিংমক্না মাস্ক শীজিন্নবীয়ু সি খক্তনি লাউরিবসি। লমদমসিগী মীচম-মীয়ামদা কাঙলোন চুম্না মাস্ক উপ্পা হায়বসি মতৌ করম্না হৈহনগদৌরি অমসুং কাঙলোন চুম্না মাস্ক উপ্পনা কান্নহনগদৌরিবসি কদাই ফাওবনো অমদি কাঙলোন চুমদনা মাস্ক উপ্পনা মাঙজরিবসিনা কদাই-কদাইদনো হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবীদে। কাঙলোন চুম্না মাস্ক উপ্পগী থৌদৌ তঙাইফদনা মীয়াম পূম্বদা খঙহনবা মথৌ তাই। মণিপুরগী মীচম-মীয়াম্নসু থৌদৌসি শোয়দনা ময়েক শেংনা খঙনীংলমগনি।

মাস্ক উপ্পা মতমদা, উপ্পিবা মাস্কসি য়ারিবমখৈ খূৎনা তোয়না পায়দনবা হোৎনবনা খ্বাইদগী চুম্বা থৌদৌনি। তঙাইফদনা পায়গে নৎত্রগা শেমদোক-শেমজিন তৌগে হায়রবদি মাস্ক পায়গদৌরিবা খূৎসি হান্না নিংথিজনা হামদোক-শেংদোকপা অমা চঙই লোয়ননা নিংথিনা সেনিটাইজ তৌবগী মথৌসু তাই। থৌদৌসি ইরমদমসিগী মীওই অয়াম্বনা ঙাক্লা চৎনবদি পাক ঙম্নদে। অদুবু য়ারিবমখৈ সেনিটাইজর ইশাদা লোয়নবীদুনা অয়াবা মখৈ চেকশিনবীবদি ফৈ। চীন অমসুং নাতোন্দা উপ্পিবা মাস্কতা হামদোক-শেংদোক্তবা খূৎনা থেংবা নৎত্রগা পায়বা হায়বসি খূত্তা পক্লম্বা মহীকশিং মাস্কতা শোয়দনা পকহৌবা য়াই। ঙাইহাক লৈতনা মাস্ক লৌথোক-লৌশিন তৌবসিসু য়ারিবমখৈ তৌবীরোইদবনি। য়াম্না মরু ওইরিবা অমনা, ঐখোয় অয়াম্বনা চখোক-খোত্তোকপা মতমদা উপ্পগা চৎলুবা মাস্কতু য়ূমদা হঞ্জিল্লকপা মতমদা কদাইদা থমগদগে অমসুং কমদৌরগা থমগদগে হায়বনচিংবসি থোয়দোক্লা খন্থনদবগুম তৌই। থম্ববু য়ারবদি মফম অমদা হেক্তা থমজিনবগী চৎনবী লৈ। তশেংনমক্তি, ঙসি য়ূমদগী মপান থোক্লগা চৎপদা শীজিন্নরুবা মাস্ক হায়বসি হঞ্জিল্লকপগা খুদক্তা শুদোক-চামথোকপা ঙমদ্রবসু হয়েং নোংঙাল্লগা নিংথিনা শুদোক-চামথোক্লবা, ইমুংদা পুশিন্দনা মপানগী মী অতৈনা থোয়না শোক্লরোইদবা মফম অমদা থম্বীগদবনি। ঙরাং উপ্লুবা মাস্কতুগী মপান থংবা শরুকশিংদা কোরোনাভাইরসকী মহীক হান্ননা পক্তুনা লৈরম্বসু ওইথোক্তবা নত্তে। ফীভমসিননি ঙরাং চখোকপদা শীজিন্নরুবা মাস্ক শুদোক্তনা অমুক হন্না শীজিন্নশিনবা লানগনি হায়রিবসি। ইরমদমসিগী মীওই কয়ামুক্না হান্নগী শুদোক-চামথোক্তবা মাস্ক অমুক হন্না শীজিন্নবদা নত্তনা, মনুং-মপান, মথক-মখা ফাওবা ওম্থোক্লরগা পংশিদা শীজিন্নবশিং উই। ঐখোয়গী ইরমদমসিদদি থৌদৌসিদা থোইদোক্লা মীপাইনদবগুমসু তৌই। হান্না শীজিন্নরুবা মাস্কতা মনুং-মপান ওম্থোক্লরগা শীজিন্নবা হায়বসিমক হান্না মপান্থংবা শরুক্তা মহীকশিং পক্লম্বা থোক্লবদি শোয়দনমক্কী মহীকশিংদু চিন নৎত্রগা নাতোন্দা চঙখিগদৌরিবনি। থৌদৌসিনি মাস্ক শীজিন্নবগী থবক্তা খ্বাইদগী হেন্না চুমদবা থৌদৌ অমা ওইরিবসি। সিনি চেকশিনহন্নীংবা খরা হায়রগদি। সিদগী হেন্না চেকশিনবীবা য়াবা কোঙ্গায়সু লৈরমগনি। পূন্নমক্তু মরী লৈনবা কাঙবুশিংনা মীয়ামদা য়াম্না ময়েক শেংনা অমুক্তং ফোঙদোকহন্নীংই। ফোঙদোকপীরক্লবদি নুংঙাইগনি।

ইরমদমসিগী ইচিন-ইনাও, ইমা-ইচা, ঐখোয় পূন্নমকসি হীরম অয়াম্বদা কয়া থৌ-ৱা শাগন্দবা হায়গদ্রা নৎত্রগা থোইনা চিংনগন্দবা হায়গদ্রা, ঐখোয়গী তোঙানবা মওং-মতৌ অমদি অদুম্মক মহৌশাদগী লৈরকই। কোভিদ-১৯গীবু ওইরো নৎত্রগা অতোপ্পগীবু ওইরো, লায়না-লাইচৎ অমা লাকপদা লায়নাদুগী মরমদা মওং-মরীল চুম্না অমুক্তং লায়নাদু ঙাকথোকহৌনবা হোৎনমিন্নবগী থৌদৌ হায়বসি পাক তৌনবা থেংনরকত্রি। ঙসিসু অদু মঙাই, কোভিদ-১৯ লায়নাগী লুরবা তানফমসিদা ঐখোয় অয়াম্বনা, কাঙলোন চুম্না অমুক্তং চেকশিন্না মাস্ক উপ্পদুনা লায়নাসি ঙাকথোক্লবা হোৎনসি হায়বসি অয়াম্বনা ইতা-তানদবদৌনা তৌই। কোভিদ-১৯ লায়নাগীদমক থৱায় য়াওবা হায়বসি অতৈ করিসু নত্তে, শুপ্পগী লায়নাসিগীদমক লৈঙাক্না শেম্বা এস ও পি (ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর) শিংদু কাঙলোন চুম্না ঙাক্না চৎনবা হোৎনবদুখক্তনি। অদুগুম্বা এস ও পিশিংদুগী মনুংদা মাস্ক উপ্পা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি। লায়নাসিগী মতাংদা মাস্ক উপ্পগা কয়া য়াম্না কান্নবা ফংবা হায়বদু উপ্পিবা মাস্কতু অয়াম্বা মতমদা খদাংদা থাদ্দুনা থল্লবা নৎত্রগা শুপ্পগী নাকোং নাকল নাম্মখক্তদা য়াল্লগা কোয়চৎ চৎলবদি মদুনা কৈদৌঙৈদা খক ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙম্লোই। য়ারিবমখৈ থৌদৌসি তৌদনবা হোৎনমিন্নবা চুমগনি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীশক অমনা করিগুম্বদা হকথি খনবা নৎত্রগা লোক খুবা মতমদা মাস্ক উপ্পবদি চাদা মরিফুতরাগী চাংদি অতোপ্পশিংদা লায়নাসিগী মহীক য়ৌহনখিদবা ঙম্মী। অদুগা, করিগুম্বা অতোপ্পা মীওইদুনসু কাঙলোন চুম্না মাস্ক উপ্লম্বা থোক্লবদি ফীভমসিদা, মীওই অমগা-অমগা কোভিদ-১৯ মহীক লৌনবা নৎত্রগা শন্দোক্লবগী ৱাফম খক লৈরোই। তৌবদবু উপ্পিবা মাস্কতুগী চেকশিন-থৌরাংশিংদি মশা-মশানা মথক্তা পঞ্জখিবা অদুম্না লৌখৎপীবা তাই। ফীভমসিখক তারক্লবগীদমক ইরমদমসিগী মীপূম খুদিংমক্তা কাঙলোন ঙাক্লা মাস্ক উপ্পবগী চৎনবীসি ময়েক শেংনা খঙহন্নীংই। অসুম্না, হৌজিক ফাওবগীদি লায়নাসিগী মরমদা এস ও পি ঙাকপা খক্তনা কোভিদ-১৯ লায়না ঙাকথোক্লবগীদমক অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈ ওইরি।

কোভিদ-১৯ লায়না ঙাকথোক্লবগীদমক মাস্ক উপ্পা, খূৎ-শা ঙাইহাক লৈতনা সাপোন নৎত্রগা হেন্দ ৱাশ শীজিন্নদুনা হামদোকপীবা লোইরগা সেনিটাইজর শীজিন্নবীবা অমদি মী অমগা-মী অমগা য়ামদ্রবদা ফিট ৬ লোম লাপ্না তোৎন-তিন্নবীবা অসিনচিংবসি ঙাক্লা চৎপীগদবনি। হৌজিক ফাওবগীদি কোরোনা মহীক হাৎপা ঙম্বা হীদাক মালেমগী ওইনা পুথোকত্রি। শুপ্পগী হকচাংগী ইম্ম্যুন সিষ্টম কনখৎহল্লগা কোভিদ-১৯ মহীকসি হাৎচবা খক্তনি ঙসি ফাওবদা কোরোনা লায়েংবা হায়না তৌরিবসি। ফীভমসিদা ঐখোয়না কোরোনা লায়না শন্দোকপা থিংনবা শেল্লিবা এস ও পিদা য়াওরিবা মাস্ক উপ্পগী ৱাহন্থোকসি করিনো হায়বদু মমুৎ তানা খঙমিন্নবা ফৈ। লোয়ননা, ঙল্লিবমখৈ ঙাক্লা চৎমিন্নবা ঙম্নবসু হোৎনমিন্নসি। ●

# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ২৭৪

**- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -**

মণিপুরগী ওইনা কোভিদ-১৯না শিবগী চাং নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলকই। মসি মীয়াম্না অনাবশিং লোৎশিন্দুনা থম্বননি হায়বসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লাউথোকপা হায়বসিমক খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। ৱাফমসি তরাইনা খন্দোকপা য়াবা ওইগনি নীংদে। ঙসিদি কোভিদ-১৯গী মরমদা শিবগী চাং থাজদনা হেনগৎপা থবক্লা ময়েক শেংনা খঙনরে। মতাংসিদা লৈঙাক অসিনা য়াম্না হেন্না কূপ্না য়েংশিনবগী তঙাইফন্দবা লৈরে। ঙসি ফাওবদা লৈঙাকসিনা লেপ্তুনা কোভিদ-১৯গী মরমদা লাউরি। মসিমক মপূং ফানা লৈঙাকসিনা থবক ওইনা পাঙথোক্লবরা হায়বসি ফম্নাইবা মরী লৈনবশিংনা কূপ্না য়েংশিনবদি হেন্না হেন্না মরু ওইরক্লে। ইন্দিয়াগী ওইনা পোজিটিভ ওইবা মীশিং হন্থজরক্লবসু মণিপুরগী ওইনদি পোজিটিভ ওইবা মশীং ঈশিং ঈচাওগুম লেপ্তুনা হেনগৎলকই। মসিগী মথক্তা শিবগী চাংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপসি করিগীনো? মসিমক মীয়ামগী ৱাহংনি, ৱাহংদি মশীং খঙদনা লৈরে। ৱাহংসিবু মতিক চানা পাউখুম পীবীদবসি ওম্থোক্লা মীয়াম্না ৱাহন্থোক লৈনা লৌনদবা নত্তে। লৈঙাক্লা খরদং খন্থবা মতাং চারে।

মতাংসিদা লৈঙাক পায়রিবশিংনা কদাইদা করি শোয়রিবনো? মতৌ করম্না অশোয়বশিং মেনখৎকদগে হায়বসি থিদোক্তবগুম মীয়াম্না লৌনরকপসি অফবা খোঙথাংসু নত্তে। লৈঙাক্কী আইনসি মীয়াম্না থৌশাদবগুম ঙাঙনরকপা হায়বসি তরাইবা নত্তে। লমদমসি অচুম্বা অশেংবা নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লকপসি অফবা খুদমসু নত্তে। অদুবু লৈঙাক পায়রিবশিংনদি অফবা-অচুম্বা অশেংবগুম লেপ্তুনা লাউরি। মসিমক্লা নোংম-নোংমগী শোকচিল্লকপা হেনগৎপসি অফবা খুদম নত্তে। মসিগা মরী লৈননা ইম্ফালগী নুপী পোৎফম ঙসি ফাওবদা ফমদনা লৈরি। অদুগা ইম্ফালদগী খরা চখোকখ্রগাদি মীনা চিক্লা চইনা ঙমদনা মীয়াম তিল্লিবসি করিগীনো? ইম্ফাল মনুংগী পোৎফম থিংবনা করিগীনো? ইম্ফালদগী খরদং চখোক্লগা খুরাই, শিংজমৈ, ক্বাকৈথেলনচিংবা মফম খরদদি কোভিদ-১৯গী ৱাফম লৈতবগুম মীনা চিক্লা-চাইননা তিল্লিবসি ৱাহন্থোক লৈরিব্রা? মসিগী মখা তারকপদা মণিপুরগী ইম্ফাল সহরদগী চৎলগা লৈরিবা সেনাপতি, সেকমাইনচিংবা মফমশিংদা মীয়াম তিল্লিবসি কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংবা মফম ওইদবরা? লৈঙাকসিনা চপ চাবা চীং-তম কাচিন কোয়া খুদিংমক্তা চাং মান্ননা য়েংশিনবীদবসি করম্বা নুংগী ঈচেলেনো? মসিগী মথক্তা মপান্দগী মীশিং লেপ্তুনা চঙলকই হায়বসিসু মীয়াম্না চপ চানা খঙনৈ। ইম্ফাল সহরখক কোভিদ-১৯গী নমাদা পোৎফম ফমহনদবনা করিগীনো? ইম্ফাল সহর মনুংদি য়াদ্রগা ইম্ফালগী খরা লাপথোক্লগা য়ারিবনা করিগীনো? কোভিদ-১৯গী লায়নাসি ইম্ফাল সহর খক্তগী ওইরবরা? অসিগুম্বা শক্তমসি মীয়াম্না তাবদা, উবদা চম্মবা পোক্তবা য়াররোই। লৈঙাক্কী আইনসি চীং-তম, খুঙ্গং-সহর, কাচিন-কোয়া থুংনা চৎনদবসিসু খরা হেন্না ঙক্তবা ঙল্লোই। আইন হায়বসি মীচম মীয়ামগীদি অপূনবা ওইফম থোক্তবরা? ইম্ফাল, খুঙ্গং, চীং-তম পূন্নমক্কী আইন তোঙানবরা?

মপূং ওইনা ঙসিগী লৈঙাক অসি চীং-তম অনীমক্কীনি হায়বসি মীয়ামনা ময়েক শেংনা খঙনরিবনি। অচুম্বা হায়বসি পূন্নমক্কীদমক লেঙদনা লৈরিবনি। অশেংবা হায়বসি হিমালয় চীংজাওগুম মীয়ামগী মমাঙদা ঙাক্তুনা লৈরি। অদুবু ঙসি ফাওবদা অচুম্বা, অশেংবা হায়বসি নোংম-নোংমগী মরায় চায়থরকপগুম মীয়াম্না লৌনরকপসি লৈঙাক পায়রিবশিংনা থম্মোয় শেংনা তরং-তরং উহনবসিবু ইঙম্মক ঙমদ্রবরা? লৈঙাক্লা থবক ওইনা খুদম চাংদমগা লোয়ননা মীমাংদা পুথোকপীরক্কনি হায়বসি মীয়াম্না য়াম্না ৱানা ঙাইনরি।

হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা থাজদ্রবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকপসি দশা মখল অমনি। ঙসি ফাওবদা থাজদ-থাজদ কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা খঙনা খঙনা, উনা উনা মীচম ৩১১গী মথক্তা পুন্সি লোমহনখ্রে। মণিপুর মীয়াম ৱাবগী চাং হায়নীংঙাই লৈতনা ৱানরে। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্লা ফজ-ফজরবা ৱাফম কয়া লেপ্তুনা লাউরি। মীয়াম্না তারি। মসি পূন্নমকসিগী মথক্তা ইম্ফালগী লায়েংশঙদা লায়েংবা চঙবা ঙম্নদ্রে। মীচম মীয়াম খম থেংনা ৱানরে। ৱাবা হেনগৎলক্তুনা থৌশানদ্রবরা? ৱাহং অমা চোঙথোরক্লে। মসিমক অফবা ৱাহং নত্তে। লৈঙাকসিনা মীয়ামগীদমক করম্বা মফমদা অহোঙবা দুকান হাংদোকপীরবগে? থবক শুনবা তাঞ্জা লৈতবা মতমসিদা পোৎকী মমলদি অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলকই। শেঞ্জাও পায়বশিংদি ৱারমদবা য়াই। শেম্বোক লৈজদবা নোংম-নোংমগী শুরগা চাজবশিংনা করম্না লেল্লমগনি। মসি পূন্নমক খন্থবীরগা লৈঙাক অসিনা লায়রবা মীয়ামগীদমক করি থবক পায়খৎপীরবগে? লৈঙাক্কী থবক মচা তৌহৌবশিংদি থাগী তোলোপ ফংলম্বা য়াই। লৈঙাক্কী তোলোপ চাদবশিংদি কমদৌরমগনি। মমাঙথক্তা লৈঙাক্লা পীরম্বা চান্ন-থক্লবশিং হৌজিকপু পীথবীরিবরা? লমদমসিগী মীয়ামগীদমক করম্বা এম এল এ, করম্বা মিনিষ্টরশিংনা য়েংশিনবীরিবগে? ঙসিদি মীয়াম, লাইরিক লাইশু খঙ হৈরবশিং ৱানা খাঙনরি। ৱাবগী পন্দোল লোল্লগা মরোল থোকচদ্রবা মীচম মীয়াম, লায়রবশিং হৌনরুবা নাইদা, খোম্নরুবা য়াওদনা মৈরীলক্তগী মৈজাও, অতেবা ষণনা ৱাইবগুম ৱানরক্লোইদ্রা? নীংবা কায়হৌরবা লাইরিক হৈবশিং খঙনা খঙনা কয়াম কুইনা খাঙনরকখিগদগে? অচুম্বগীদমক, অশেংবগীদমক লুচিংবা ওইবা ঙম্বা মীশক মরোমদোম খাঙমদবদগী ঈশ্বরনা শেন্বীরক্কদ্রা? ঙসি ফাওবা অচুম্বদি মাঙখিদ্রি। অশেংবসু হিমালয়গুম লেঙদনা লৈরি। মতমসিগী লৈঙাক পূন্নমক ওমর নত্তে, মীওইবদি অশিবগী মচানি। কোভিদ-১৯দগী হেন্না খুদোংথীবা অতোপ্পা অমমুক লৈরমলোই খনবদি অপঙবা তাররোইদ্রা। মীওইবনা শেমখিবা কোভিদ লায়না ওইরম্লবদি মীওইবনা কোভিদ লাইচৎতগী হেন্না তমথীবা অমা পুথোরকলোইদ্রা? ৱাহংসিমদি লৈহৌরগনি। লৈঙাকসি ওমর নত্তে, ওৎলৈ-পারৈসু য়াররোই। মীৎমাংদা লেঙদনা লেপ্তুনা চোঙথোরক্লে। অচুম্বসিবু লৈরিব্রা? ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।